# লৌদা হার হাপ্পা

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**



হার চাইরবা মতুং লৌ লিংবা

**হৌজিকসি** লৌ হুনবা অমসুং লিংবা কয়া অমা চখুরিবা মতমনি। ময়াম্না হার চাইবা হায়দনা চাইনরিবসি মরু ওইনা লৈবাক লৈহাওদা খরা হেন্নসু ৱাৎকনবা অদুগা লোয়ননা দরকার লৈবগী চাংসু ৱাংবা পান্দ্বীগী মচিঞ্জাক নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাস হায়রিবশিং অসি য়াওবা খূৎশেমগী হার/রসায়নগী হারশিং - নাইট্রোজেনগী ওইনা য়ুরিয়া; ফোসফরসকী ওইনা diammo নৎত্রগা সুপর (single super phosphate); পোটাসকী ওইনা muriate of potash হায়রিবশিং অসিনা অয়াম্বনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি অতৈ অতোপ্পা মচল কয়া অমসু লৈবাক লৈহাওদা ৱাৎশিল্লকপনা মরম ওইদুনা খূৎশেমগী হার ওইনা পুথোক্লরক্লি। মহী ওইনা নৎত্রগা মপং ওইনা লাকপা মখল কয়া অমনি। মখোয়শিংসু পান্দ্বীদা ৱাৎপগী খুদম ফংলবদি দরকারগী মতুং ইন্না চাইবদা কান্নবা ফংনরবনি। অদুবু ইশাগী লৈবাক্তুদা হান্ননা ৱৎকল্লে খঙলবা মচন খরা অদুদি ৱাৎপগী খুদম ফংদ্রিবঁগে মতমদা মাঙজৌননা চাইহৌবা হায়বসিনদি খ্বাইদগী ফৈ।

ঙসিগী ওইনদি মরু ওইবা ফৌ পান্দ্বীদা ময়াম্না চাইনরিবা নাইট্রোজেনগী হার - য়ুরিয়া, ফোসফরসকী হার ময়াম্না daimo হায়না খঙনরিবা di-ammonium phosphate নৎত্রগা অতোপ্পা ফোসফরস য়াওবা হার ময়াম্না সুপর হায়না খঙনরিবা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমসুং পোটাস য়াওবা হার potassium chloride/ muriate of potash হায়রিবা হার মখল অহুম অসিগী মতাংদা মতৌ করম্না, কয়া য়াম্না, করম্বা মতমদা চাইরগা হার চাইবগী খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা ফংদুনা ফৌথোক হেলহনগনি লোয়ননা হার চাইবগী অমাঙ-অতা কয়া থোকপদগী ঙাকথোক্কনি হায়বদুগী মরমদা খরা নৈনজগে।

য়ুরিয়া হায়রিবা হার মখল অসি ঈশিংদা য়াম্না থুনা তুমগনবা, মসিদা য়াওরিবা নাইট্রোজেন অসি লৈরোলনুংদা চুমথখিদুনা, চেন্থখিদুনা অমসুং মনিল ওইনা পাইথোক্তুনা মাঙখিবা য়াবা হারনি। মরম অদুনা হার মখল অসি চাইবদা য়াম্না চেকশিনবীগনি। হায়রিবা হার অসিদি মচিৎ মচিৎ ওইনা তাঙ্কক অহুম-মরিরক থোক্লা ফৌ পান্দ্বীনা য়াম্না দরকার লৈবা তাঙ্ককশিং য়েংদুনা চাইবিগনি। ফোসফরসকী হার মরু ওইনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট নৎত্রগা দি এমোনিয়ম ফোসফেট অনী অসিসু ঈশিংদা তুম্বা হারনি অদুবু মসিদি লৈবাক্তা খোইদুনা তোৎশিনখিবা মতমদা লৈবাক্তা অদুমক য়াওদুনা লৈ, ঈশিংনা চুপথখিবা অমসুং চেন্থদুনা মাঙবা ঙমদে হায়বা তাই। ষণপোৎ খোইবা অমসুং উকায় তকপা মতমদা লৈনাং ওইনা লৌরি পাথোক্তুনা চেন্থোকখ্রবদি খরা মখৈদি মাঙখিবা য়াই, চেকশিনবীগনি। অদুবু অনীসিগী মরক্তা অমত্তমক শীজিন্নসি। Diammo দি লৈবাক শিলহনবা হার মখল ওইবনা মণিপুরগী হান্ননা শিন্দুনা লৈরবা লৈবাক্তুদি মসিগী মহুত্তা সুপর শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। সুপর লৈবাক লৈহাও শিনবা হেনগৎহন্দে অহোইনদুম শিনবা হন্থহনবা মখলনি। মরমদি মসিদা শুনুগী শরুক কেলসিয়ম হায়রিবা মচল অসি চাদা ২০ ফাওবা য়াওই। অসিদসু নত্তনা সলফর হায়রিবা মচল অসিসু চাদা ১২ ফাওবা য়াওই। পোটাস হায়রিবা হার অসিদি লৈঙোইনা নম্বা লৈবাক লৈহাওদদি ঈশিংনা চুমথখিবা ঙম্বা মরম্না তাঙ্কক অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক থোক্লা চাইবীগনি। লৈতানলমদদি তাঙ্কক অনীরক থোক্লা চাইবীবসু য়াই।

অয়াম্বা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইদা হার হাপ্পগী হৈনবী কয়া উদে। মসিগী মরমদি হার মাঙজৌননা হাপ্পা মতমদা অরেম্বদা হার মাঙখিগনি হায়বগী অকিবা লৈতবদগী অয়াম্বা ওইনা তৌই। মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফমশিং অসি মুন্না খঙলবদি অকিবা অদু লৈররোই খল্লি। য়ুরিয়া ঈশিংদা মাঙনবা ওইবনা তাঙ্কক কয়া থোক্লা চাইসি হায়জবনি। অদুবু লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা মুন্না য়ানশিনহৌদ্রবদি য়ুরিয়া মাঙবগী চাং য়াম্না হন্থহনবা য়াই। খঙজিনবা য়াবা অমনা য়ুরিয়া কিলো ১০০ চাইবা খুদিংগী শুনু কিলো ৭৪ চাইরবদি লৈবাক শিলহনবদগী কনবা ঙমগনি।

পূন্নমকশিং অসি খঙবগা লোয়ননা লৌদা হার চাইবগী চাং, মতম অমসুং চাইবগী মওং খরা খঙজিনমিন্নরসি।

লৌফম লৌফমগী ওইনা শোইদনা খেন্নবা লৈগনি। মরমদি লৌপু লৌপুশিংনা থারিবা পান্দ্বীশিং, থাবগী মওং, চাইনরিবা হারগী চাং, চাইবগী মতম, লৌফমগী ফীভম শোইদনা খেন্নবা ঙাক্তনি। খেন্নবশিং অসি লৈবনা লৌফম অমগা অমগা লৈহাও লৈবা খেন্নবা তাবনি। মরম অদুননি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী মথৌ তারক্লিবসি। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরগা চঙগদবা হারগী চাং খঙদোক্তুনা চাইরবদি হেনজিন্না চাইদুনা অরেম্বদা অহেনবা শেল তিংবসু লৈররোই, পোৎথোকসু হেন্না ফংদুনা শেন্দোং হেন্না ফংবসু ঙল্লগনি। ৱাৎনা চাইবগী খুদোংথিবসু নংলরোই। অদুবু লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী খুদোংচাদবা অমদি থেংনরি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা রিছার্স সেন্টরদগী ফোঙদোকপা চেশিংগী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই।

**হারগী চাং ঃ**

লৌ শঙম অমদা য়ুরিয়া কিলো ৩৫-৪০, diammo ওইরগনা কিলো ২৫-৩০, সুপর ওইরগনা কিলো ৬৫-৭০, পোটাস (muriate of potash) কিলো ১৪-২২ চাইগনি। অৱাংবা শরুক ওইনা ইরিবসি লৈহাও খরা লৈতবা লৌফমগী ওইনা অমসুং হায়ব্রিদ ফৌগী ওইনা লৌসি। অনেম্বসিনা লৈহাও খরা হেন্না লৈবা লৌফমশিংগী খুদোংচাবা খরা ৱাৎলি। য়ুরিয়া চাইবদা খরা হেন্না চেকশিনবগা লোয়ননা পান্দ্বীগী শাহৌ য়েংলগা মচিৎ-মচিৎ চাইবগী খুদোংচাবা লৌবা য়াই। হার চাইবগী মতম অমসুং মওং মখাদা থমজরি।

**অহানবা চাইবা ঃ**

লৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইগী অরোইবা খোইবদা লৌফমদুগী অপূনবা চাংগদবগা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অমা, ফোসফরসকী হার চংগদবদু পূন্না অমদি অপূনবা পোটাসকী তঙ্খাই অমা নৎত্রগা শরুক অহুম থোকপগী অনী হাপ্তুনা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা তোৎশিনখিনবা হোৎনগনি।

**অনীশুবা চাইবা ঃ**

ফৌনা মচা কন্না পোকখৎলকপা মতমদা নাপী শেংনা পেংথোক্লবা মতুং নৎত্রগা নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা নাপী হাৎলবা মতুংদা, য়ুরিয়াখক্তমক লেমহৌরিবদুগী তঙ্খাই অমা চাইবিগনি। ঈশিং য়াম্না লৈবা লৌফম ওইরবদি ইঙ্খোলগী ফোলি তাবা লৈবাক্কা মুন্না য়ানশিন্নরগা পুং ২৪ প্লাষ্টিক খাওনা য়োমদুনা থম্লগা চাইবনা কান্নবা হেনগনি।

**অরোইবা চাইবা ঃ**

ফৌ ফৌগী মপুন্সি শাংবা খেন্নবগী মতুং ইন্না মশা তাশিল্লকপগী মতমসু খেন্নরি। অয়াম্বা ফৌশিংগীদমক লিংলবা মতুং নুমিৎ ৫০ দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা ওইগল্লি। মরম অদুনা নুমিৎ মশীংদা হায়রবসু মশা তাশিল্লকপগী মওং নীংথিনা খঙলবদি করম্বা মতমদা অরোইবা হার চাইগনি হায়বসি খঙবা ঙমগনি। অতেনবা ফৌগীনা নুমিৎ ৫০-৫৫ নিগী মনুংদা চাইগনি। খরা শাংবা ফৌগীনা নুমিৎ ৬৫-৭০ নি শুরকপা শ্বাইদা চাইগনি।

হারগী চাংদি লেমহৌরিবা য়ুরিয়া অমদি পোটাশশিং অদু পূন্না চাইথোকপীগনি।

খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা ফোসফরসকী হার অরোইবা খোইবদা হাপহৌদবা তারবদি লৌ লিংলবা নৎত্রগা হুল্লবা মতুংদা চাইবদা কান্নবা ৱাৎলি, অহোইনদুম মাঙজবনা হেনবসু য়াওদবা নত্তে। তঙাইফদনা চাইদবা য়াদে হায়রগদি সুপরগী মহুত্তা diammo চাইবনা ফরে। শঙম অমদা কিলো ২৫ মক পান্দ্বীনা নৌরিঙৈদা চাইবিহৌগনি। সুপর চাইগে হায়রগদি অমুক্তদা কিলো ৫০-৬০ চাইবা য়াদে, পান্দ্বী শোইদনা চাকথেক্কনি। নোং চুদবা, লিক্লা চোত্তবা মতম য়েংলগা শঙমদা কিলো কুন্দগী হেন্না চাইগুমসি। হাপ্তা অমা লৈরগা কিলো ২০ অমা অমুক চাইসি। হুল্লবা মতুং থাখাই অমগী মনুংদা চাইহৌরবদি কান্নবা অদুমক খরা ফংবা ঙমগনি। লৈবাক্তগী ফোসফরস থাদোকহনবা ঙম্বা বাইওগী হীদাকশিং চাইবা কান্নগনি।

হৌজিকসি লৌহোন হুন্দুনা লৌ লিংবগী শেম শাবা লৌফম কয়া অমা থেংনৈ, মরম অদুনা মথক্তা থমজরিবা ৱাফমশিং অসি মুন্না খন্থবিদুনা হার নিয়ম চুম্না চাইদুনা পোৎথোক নীংথিনা ফংবগা লোয়ননা শেন্দোং খরা হেন্না ফংনবা হোৎনরসি। কনাগুম্বনা হান্না চাইহৌদদুনা ফৌনা লিংলবা মতুং থা অমা অনী শুরবা মতমদা করম্বা হার, করম্না চাইগনি হায়না হংলকপা মতমদা খুম্বদা লুবা ৱাফম ওইনা থোকই। মদুদা চাইগদবা হারগী চাং ফনা হায়রবসু কান্নবা ফংবা নত্তে। মরম অদুনা ইশা ইশানা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি লৌবিদুনা হার নিয়ম চুম্না চাইদুনা অমাঙবা কয়াদগী কন্নবা হোৎনরসি।

# মীখলদা শরুক য়াদবগী ফীভমদা লৈহৌরিবা তাওরেম অমসুং খুনিংথেক খুঙ্গং

**খুঙ্গংগী খোল্লাও / ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

**ষ্টেটহুদ** ফংবা চহী ৪৪ শুরবা মণিপুরগী, ইম্ফালদগী শুপ্নগী কিলোমিটর ১৩ রোম তমক লাপ্পা খুঙ্গং তাওরেম অমসুং খুনিংথেক অনীগী ফীভমদি ঙসিসু নূংগী চক্তগী করিসু তাহৌদ্রি। ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী খুন নম্বর ১০ ওইরিবা তাওরেম অমসুং খুন্নিংথেক খুঙ্গংগী শক্তমদি উরবশিংতনা খঙগনি। হেক উবগা হায়গনি ‘ও সিগুম্বা মফম ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদসু লৈরিবা ওইরে’।

ইম্ফাল ইষ্টকী তম্পাক্কী খুঙ্গং ফাওবা শেমগৎ শাগৎপা লোইবা ঙমদ্রিবা ঙসিগী লৈঙাকসিনা মনুং হঞ্জিনবা চীংগী মফমদা কয়াম য়াম্না পূক্লিং চঙলমগদগে হায়বসি খনবদা খনফম থোক্তে। কম্প্যুটরগী চকসিদা নূংগী চক ওইনা হিংহৌরিবা তাওরেম অমদি খুনিংথেক্কী খুঞ্জাশিংনা দেমোক্রেসিগী চৎনবী ওইরিবা মীহুৎ খন্নবা মীখলদা ভোৎ থাদররোই হায়বগী ফীরেপ ফাওবা লৌহৌরে। টার্ম ৩ গী চহী ১৫ চাওরবা খোঙচৎতা লৈঙাক্তা য়াওরকপদা নৎতনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা স্পিকর ওইরিবা লম্বীসিতবু শেম্বীরবদি এ/সি অসিদা মীহুৎ ওইনা থোরক্লিবা মীওইদা ওপন ভোৎ পীগনি হায়না পীরক্লিবসি চহী ফনা কুইরে। হৌজিক হৌজিক স্পিকর ওইরিবা এম এল এ অসিদা ফাওবা টার্ম ৩ লক্তা ওপন ভোট পীখ্রে। হেক কাখিবগা হন্না ফাওবা য়েংলক্তে হায়বগী ৱারৌবনা মথংগী লাক্কদৌরিবা মীখলদা ভোৎ থাদদনবা খুঞ্জাশিং কুপ্না খন্নবা হৌরে হায়না পাউদমলকই।

ইপা ইবুংঙো নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা ইবেম্মা পান্থোইবী অনীগী ফিজিনুংদা হিংজরিবা তাওরেম খুঙ্গং শুপ্নগী য়ূম ২০ তাবা অদুগা মীশিংনা ১০০ রোম লৈবা খুলনি। খুলসিদা অপূনবা ভোটর মশীং ৭৫ রোম লৈ। মহৈরোয় ২০ লোম লৈবা তাওরেম এদেদ এল পি স্কুল নৎতনা লৈঙাক্কী স্কুল অমতা লৈতে। বি এ পাস তৌবা নহা ৪ লৈরবসু লৈঙাক্কী থবক অমত্তা ফংদ্রি। এদেদ স্কুলদুদা ওজা ওইবা অমগা ভি দি এফ ওইবা মীওই অহুমগা পূন্না মখোয় মরিনা থবক তৌবা ওইনা খুনসিদা লৈরি।

থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবনা খুঞ্জাশিংনা শেল খায়গৎনরগা হেন্দ পম্প অনীদি থল্লে। পম্পদি এম এল এনা পীরম্বনি অদুগা হুৎপগী ওইনা অচঙবা




তাওরেমগী অমত্তা ঙাইরবা এল পি এদেদ স্কুল অমসুং মিদ দে মিলগী চাকশঙ

কে ঐচ লোকেশ্বরগী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা য়াওরিবা তাওরেম অমসুং খুনিংথেক খুঙ্গংগী অৱাৎপদি শিংথাদুনা লোইররোই। অফংবা থবক খরা শুরগা শিদনবা হিংজগে হায়বা পেন্দবগী ৱাফমসি নৎতনা করিসু ফোঙদোকউ য়াদ্রি। খুঞ্জাশিংগী থম্মোয় খুদিংদা পোখাইগে পোখাইগে তৌবা চৈনাগী মনিল কাহৌরি।

ইম্ফালদগী পাঙ্গে লম্বীদা কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা তাঙ্খমদগী নৎত্রগা হরাওরৌদগী কিলোমিটর ৩ লোম চৎলগা লৈবা খুল অনীসি লৌমীশিংনা নম্না খুন্দাবা খুল অনীনি। তাঙ্খমদগী শরৌথেল ফাওবদি কোইলাস থারবসু তাওরেম অমদি খুনিংথেক তাবা লম্বীদি চহী ৪৪ রোমগী



খুল অসিদা শেন্থোক লাক্লবা চু থাবগী থবক পায়খৎলক্লিবা জয়েন্ত অমদি ইবোহনবী

মমাঙদগী কোইলাস মশক উবা ফংদ্রি। খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী কাখিবা মীহুৎ অমতনা লুপা পীবা নূং অমা ফাওবা লম্বীসিদা থাখিদ্রি। লৈখোম লৈনাং থোকপগী মথক্তা নাপী নরাং কয়ানা মনিং তৌনা হৌরিবা লম্বীসি মীওইবগী লম্বী নত্তে। শা-ষণগী লম্বীনি।

শেনফমদি খুঞ্জাশিংনা পুথোকই। লৈকায়গী নৎত্রগা খুলগী ওইবা কম্যুনিটি হোল অমত্তা লৈতে। লৈকায়গী ক্লব অমদি অশিবা পোৎলোইনবা ক্রিমিটোরিয়ম অমফাওবা লৈঙাক্লা শাবিবা লৈত্রি। পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ মশীন তম্নবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমা লৈরিবদুসু খুনগী মীওইনা ওজা ওইদে। থংনবা খুল শরৌথেলদগী মীনা ওজা ওইরি। মতম চুপ্পদা থোং লোনবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরনি। কনানসু ৱাকৎপা নৎত্রগা চৈরুবা ঙমদে।

খ্বাইদগী তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফমদি নোংজু থা মতমদা তাওরেম অমসুং খুনিংথেক্কী মহৈরোয়শিংনা চীংখু নৎত্রগা অতোপ্পা খুলশিংদা লাইরিক তম্বা চৎপদা স্কুল য়ুনিফোর্ম পূনবা খাউ অমগা লাইরিক পুনবা খাউ অমা পূন্না অনী পুদবা য়াদে। লৈখোম লৈনাং তৈবদু হোংদোক্লগা স্কুল কাই হায়রি। কিলোমিটর ৩ লোম শাংবা লম্বীদু চৎপদা লৈখোম লৈনাং তৈবনা অঙাংশিংনা তঙাইফদবা থবক ওইরি। তাওরেম নৎত্রগা খুনিংথেক্কী ওইবা পেসেঞ্জর সার্ভিস লৈতবনা পাঙ্গে লম্বী তানবা খোঙনা চৎতবা য়াদ্রি।

সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম অমসু ওইরিবা এম জি এন আর ঈ জি এসকী জোব কার্দকী থবকসু থা অমদা নোংমা নৎত্রগা নীনি থবক শুবা য়াওই। চহী অমদা নুমিৎ ১০০ নিদি লাইরদনা নুমিৎ ১০ নি য়ৌদবা ফাওবা য়াওই। জোব কার্দসু খুঞ্জাশিংদা মশীং শুনা পীদে অমদি মশা মশাগী মীংদা বেঙ্ক একাউন্টসু হাংহন্দে। খুন্দ্রাকপম গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধাননা থবক শুবা লোইখ্রবা মতুংদা থা ২/২ লৈরগা খূৎশুমল পীরকপা য়াওই। ফৎতবা লম্বীদু শেমনিংবদগী জোব কার্দকী ফংগদবা খুঞ্জাশিংগী শেনফম্না লম্বীদা নূং চাইবা য়াওখ্রে হায়না তাওরেম ভিলেজগী সেক্রেটরি ৱাইখোম রাজমনিনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

ৱাইখোম রাজামনিনা মখা তানা হায়, খুলসিদা ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাবদি ফংই অদুবু মতম চানা মৈদি ফংদে। য়ারক্তবা মতমদসু লাইন মেনশিংনা শেম্নিংবা মতমদা শেম্বা লাকই। খুনগী ট্রান্সফোর্মরসু খুঞ্জাশিংনা খায়নরগা লৈ অদুগা মৈগী টেক্সতি চহী খুদিংগী জানুৱারি থাদা পূন্না থিদোকই। তাওরেম খুনগী ওইনা থা খুদিংগী মিটিং পাঙথোক্তুনা লম্বী শেম্নবা, মৈগী টেক্স পীনবা শেনফম খোমগৎলি। ইম্ফালদগী পংলাপ লাপ্তুবা মফমদা লৈরবসু লৈঙাক্কী ওইবা খুদোংচাবা অমতা ফংদ্রবা খুঞ্জাশিং লৈঙাক্তা অমুক হন্না ৱাকৎপা পামদ্রে। অফং অফংবা থবক শুরগা শিদনবা হিংবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা লৈবনা ফরে। অকে অমৌ অমদি হরাও কুম্মৈগী ৱাখলদগী লাপ্না লৈরবা চাওখৎপগী মমি তাদ্রবা খুঞ্জাশিং মীওইবা অমগী নুংঙাইবা করম্বা মতমদা ফংগনি হায়বগী মঙলানদি মঙলি হায়না সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

তাওরেম খুন্দা খোই লোইবা অমদি খোইহি পুথোক্তুনা শেন্থোক লাক্লবা ইমুং খরদা থবক হৌরে। নিঙোম্বম জয়েন্তা (৫১) অপোকপা নিংথেম্বী অমদি চোনজোনবম ইবোহনবী (৫৩) অপোকপা চরাই কৌবা মীওই অনীদি খুলসিদা চু লৌরাক অমা থাদুনা শেন্থোক লাক্লবা হোৎনহৌরি। চু থাবতা নত্তনা অতৈ কয়াসু থাবা হৌরগনি হায়রি।

তাওরেম খুনগা হেক থংননা লৈরিবা খুনিংথেক খুনসু তাওরেমদগী করিসু তাদে। থায়নগী নূংগী চক্তা হিংহৌরি। খুনিংথেক ভিলেজকী সেক্রেটরি নীংঙোম্বম থোইবদি পাউ চেগী মী লাকই তাবদা হরাওবা ফাওজখি। মণিপুর লৈঙাক, লোকেল এম এল এ, প্রধাননা নীংশিংবিদ্রবা খুনসিগী লম্বীগী ফোটো অমতা হাপপীয়ু হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না হায়হৌই।

খুনিংথেক খুল অসিসু শুপ্নগী য়ূমকোক ৬ খক লৈবা মীশিংনা ২০ লোম লৈবা খুঙ্গং অমনি। ভোটর মশীংনা ১৫ খক লৈ। অঙ্গনৱাদি অমদি অশা ৱার্কর, অনা অয়েক য়াওরক্লবসু শাফগদবা মফমদা চৎতুনা লায়েংলি।

থোইবনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লায়রবশিংগীদমক চেঙ, চিনি, য়ূম, সেনিটরি লেত্রিন্নচিংবা কয়া পী হায়বদি তাই । ঐখোয়গীদি হিংনবা লম্বী ওইনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা লম্বীসিদা এম এল এগী মায়কৈদগী লুপা পীবা নূং অমতা থাবিদ্রি। পি দি এসকী চেঙ অমদি চিনিসু ফংই। থাগী ওইনদি ফংদে। পীনিংবা মতমদা পীবগুম তৌই।

খুনিংথেক খুল অসিদা মীতৈ পাঙলশিংসু য়ূমকোক ১৫ রোম খুন্দারম্মী। কুমজা ১৯৯৩ গী মীতৈ-পাঙল লানগী মতমদা মফমসি থাদোক্তুনা হৈক্রুমখোঙ অমদি খোমিদোক লোমদা হোংখিবগী ৱাফম নৌহৌননা নীংশিংলকখি।

তাওরেম অমসুং খুনিংথেক্কী খুঞ্জাশিংগী ওইনা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী রেসন কার্দশিং মতম চানা ফংলবসু ফংফম থোকপা এপ্রিল, মে, জুন থাগী চেঙদি ফংহৌদ্রি। পীনিংলগা পীসনু পীনিংদ্রগা তোক্লসনু হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোক্লক্লি। মমাঙগী চহীশিংদা মীখলদা ভোৎ থাদরবসু কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মমাঙদা খুল অনীসি ফাওনরিবা লম্বী শেম্বীদ্রবদি ভোৎ থাদররোই হায়বগী ৱাফম চেৎনা ৱারেপ্নরগনি। থাগৎনীংঙাই ওইবা খোঙথাংনি। থৌওং অসি লৈঙাকশিংগী ওইনদি চেকশিন্নিংঙাই ওইবা তাঞ্জানি।



নোংজু থা ওইরবসু ওইদ্রবসু মতম চুপ্পদা লৈখোমতা থোক্তুনা লৈরবা তাওরেম অমদি খুনিংথেক্কী লম্বীগী ওইরিবা শক্তম

মালেমগী লৈবাকশিংদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক খুদক্তা য়ূমদা য়েংবা ঙল্লবা মতমসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী খুন ২ দদি লম্বী ফৎতবদগী পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা গাড়ী চঙবা য়াহৌদ্রি। পাউচে য়োনবা হোকর চঙবিয়ু য়াদ্রি। মীখল মতমদা শেমগনি হায়না কয়ারক থাজবা পীরল্লবসু মীহুৎ ওইনা কাখ্রবা এম এল এ অমতনা লম্বী শেম্বদি লাইরদনা লুপা পীবা নূং অমফালবা থাবিরদ্রি হায়না খুঞ্জাশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। মীয়ামসু শোইদনা খঙলম্বা য়াই খুল অনীদু।



*খুনিংথেক্তা লৈহৌবা ইমুং অমগী য়ূমগী শক্তম*



খুল অনীসিগী ভিলেজ সেক্রেটরি রাজমনি অমদি থোইবা

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

১। ‘অরেপ্পা মরুপ’ কনানা ইরম্বনো?
২। খুমন্থেম প্রকাশ করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?
৩। ‘তল তরেৎ’ করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৪। ‘লজ্জা’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।